ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯳꯱, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, মার্চ ৩১, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ০০৭শুবা মশীং

লৈঙাক্লা তেংবাঙগী পোৎলম য়েন্থোকপা

লায়র-ইনাকখুনবা খায়দনা মীপূম খুদিংমক্তা ফংহনফম থোকই

কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা নুমিৎ ২১নি লোকদাউন লাউথোকখিবগা লোয়ননা ইন্টর ষ্টেট বোর্দর থিংজিনবা অমসুং ফ্লাইট সর্ভিস পুম্নমক লেপহনখিবদগী তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম অয়াম্বা ফংনরক্ত্রে। লোকদাউননা মরম ওইরগা নোংমগী খূৎশুমলনা হিংবা মীওইশিং থবক শূফম-নোস্ফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্নরি। থবক শূদ্রবসু, শেল তান্দ্রবসু চাদবদি য়াদবনিনা নোংমগী চরা হেন্দনবা হোৎনবদা কোক্তা খূৎ হাপ্তুনা খাঙলি। ইনাক খুনবশিংসু অদু মঙায়রে, শেল ফনা য়াম্না লৈরবসু মথৌ তাবা পোৎলম অমত্তা লৈবা ফংলক্ত্রবদি অৱাবা মায়োক্নরকপা মশানা তাবনি। চৈরকসিদা লৈঙাক্লা মীয়ামগী অৱাবা উবীরগা চেঙনচিংবা মরু ওইবা পোৎলম খরা য়েন্থোকপগী থৌরাং লৌখৎলক্লি । অদুবু রসন কার্দ পায়বা নৎত্রগা পায়দবা, ভোটর লিষ্টতা চনবা নৎত্রগা চন্দবা, অশানবা য়ূমদা লৈবনি নৎত্রগা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বা ৱাফমগী মতাংদা তেংবাঙগী পোৎলম ফংদবগী ৱাথোক অমা থোরক্লি। মরী লৈনবা কন্সটিট্যুয়ন্সিগী এম এল এনা মাগী মাগী খূৎচাবী ৱার্করশিংগী খূৎথাংদা তেংবাঙগী পোৎলম য়েন্থোকপদা মীপূম খুদিংমক চপ মান্ননা ফংহন্দে হায়বগী ৱাথোক অমা থোরক্লিবসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। মদুমক্লা মরম ওইরগা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিন্নবা লোকদাউন তৌরিঙৈ মনুংদা শেল পায়বা পায়দবা থিদনা মীপূম খুদিংমক্তা চপ মান্ননা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন ফাওবা ফাইল তৌরকপা লৈখ্রে। এপেক্স কোর্টতা ফাইল তৌরকপা পিটিসন অমনা হায়খি, খূৎতা শেল পায়রবসু অপাম্বা পোৎ লৈবা ফংদবগী ফীভম লাক্লবনিনা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (এন এফ এস এ) কার্দ পায়বা-পায়দবা নৎত্রগা ইনাক খুনবা-লায়রবা থিদনা মীপূম খুদিংমক্তা লৈঙাক্লা তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপীগদবনি। তশেংনা হায়রবদা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবনি হায়দুনা মতম শাংনা লোকদাউন তৌরি। চান-থক্লবা পোৎলম অমত্তা লৈরক্ত্রবদি কয়াম কুইনা য়ূম-য়ূমদগী মপান থোক্তনা লৈবা ঙমগদৌরিবনো হায়বদু খন্থনিংঙাই ওই। য়ারিবমখৈ মীয়াম পূনবা থৌরম পাঙথোক্তবা অমসুং মীয়াম তিনবা মফমদা চঙদবা হায়বসিনা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি হায়বসি মীপূম খুদিংমক্লা য়ানরবা ৱাফমনি। অদুম ওইনমক তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা পোৎলম অমত্তা ফংদনা মীয়াম পূম্নমক য়ূমদগী হেন্দোকহন্দবা ওইথোক্কনি নীংদে। লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা অনা-লায়েংগী থবক তৌরিবশিং অমসুং ক্বারন্টাইন তৌরিবা মীওইশিং অসি তাওইনা তৌবিবগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, ক্বারন্টাইন তৌরিঙৈদা হন্থনা য়েংবীবা হায়বসি অচুম্বা থৌওং নত্তে। থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা ইসেন্সিয়ল সর্ভিসতা মথৌ তৌরিবা মীওই পূম্নমক্কী মফমদা লৈবাক মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা ইকায় খুম্নবা উৎলি। নুমিৎ ২১নি লোকদাউন তৌদুনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনবগীদমক মীয়াম্না ঙাকপীয়ু হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ‘মন কি বাট’ থৌরমদা ফোঙদোকখি। মতাং অসিদা হৌজিক খন্নবা য়ারিবসি লোকদাউন তৌরিঙৈ মনুংদা মীয়াম্না তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংদবগী মতাংদনি। লৈঙাক্লা মফম কয়াদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্লে হায়জরগসু মফম খরদা রসন কার্দ পায়-পায়দে অমসুং ভোটর লিষ্টতা চল্লি-চন্দে হায়দুনা চাকথুং পীবিদবগী মতাংদা ৱাথোক অমা থোরক্লি। হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদদি করিগুম্বা মখলগী কন্দিসন অমত্তা থমদনা মীপূম খুদিংমক্তা চপ মান্নবা চাকথুং ফংহনবা য়াম্নমক তঙাইফদে।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩১।০৩।২০২০ ইং,
লৈবাকপোকপা; শজিবুগী ৭ নি পানবা।

মেষ : পূক্লিং পেঞ্জবা, ৱাখল থোকপা অমদি অনৌবা অশা লাকপা নুমিৎনি। নচা ননাইগী লমদদি পূক্লিং ৱাই অমদি লৈঙাক্কী লম্দা মীকোক থোংবদি ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি ৱাখলদা নুংঙাইজে।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

বৃষ : অঙনবদা ওইজ-ওইথক ফংগনি, অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইবা অমদি ইমুং-মনুং ৱা তাননা পাংবা থৌ খুদিং থোইনা মায় পাক্কনি। চরাংনবদি মাঙজগনি ।
লৈশা পাখংশিংগী- পূক্লিং খরা লাংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিথুন : মায় পাকপা, হরাওবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা নুমিৎনি। মরুপ মপাংনা ফনা শোন্নবা অমদি থৌরম য়াৎপসু হৈগনি। অদুবু থবক পনবগী লৈফম খঙদবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

কর্কট : অঙনবদা য়াইফবা লৈ অদুবু থেংথরক্লদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি নীংবা মপা চাদবা লৈগনি। অকিবা পাউ তাবা অমদি হুরানবনা তাথিবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ : থবক পাংবদা নত্তনা ওইজবা অমদি শেল-থুমগী লম্দা নুংঙাইবা ফংজগনি। নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌগনু, ঙমনি-ঙমলোই খঙদনা থৌয়াম পুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নাপল থাদোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : হকচাং নুংঙাইবা হেনগৎপা অমদি ইকাই-খুম্নবা ফংজবা লৈগনি। শোক-পনবা অমদি অফা অপুন নংবা য়াবদগীদি চেকশিল্লু। খাংবদি কনখো-মতম ঙাইয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা : পূম্নমক অরেম্বদা তাদনবা অমদি নথক থোংবগা মুক্লবা লৈতনবা অনৌবা থৌরাং পায়গনু অমদি হেন্না মীকাবা তৌগনু। নত্তবা ৱাখল থাদোকউ-খাংখো।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

বৃশ্চিক : অঙনবদা নীংবা থুংগদবা অমদি লাই-গুরুনা চানগদবা লৈ। পাইরক্কী লৌশিং শোনবনা নাইতোম ৱারেপ লৌরদি নচা ননাই কাইনগনি। পূক্লিং ফথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনগনি-তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু : নীংবদি খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি, লম্ খুদিংদা লইজ-ওইথক ফংগনি। ইকাই খুম্নবা ফংগনি, ঙাঙথোকপদা রাশি য়াওগনি। অদুবু ফিংলদি লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মকর : মতম মাঙবা হন্থরগনি, অনীংবা পাংবদা মায় পাক্কনি অমদি ইমুং-মনুংগী ৱা তাবতনা লম্ খুদিংদা য়াইফগনি। য়েৎনবা অমদি নক্লবনদি কল্লকপা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

কুম্বা : অঙম-অথৌ অমদি মীয়াম্না থোইনা চানবী অমদি পূক্লিংসু পেন্না নুংঙাইজে। শকখঙদবনা কিহনবা অমদি হৈতনা অহৈ শাবনা লন মাঙনিংঙাইদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হেন্না অশা চাউগনু ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : অঙনবদা অফবা ৱাখল লাক্কনি-নথৌ পাংহৌ। য়েক্লবনা কোক শাহনবা অমদি লৈফম খঙহন্দবা লৈগনি। নঙগী ওইবশিংনদি শোইদনা হান্নগুম চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু থুগাইবশিং ফাগৎপা লেপত্রি

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :

কোরোনাভাইরস লায়না শন্দোরকপা থিংনবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাং ওইনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থুগাইদুনা লম্বীদা গাড়ী থৌদুনা চৎপশিং পুলিসনা ফাগৎপা লেপত্রি। ঙসিসু মরম চাদনা লম্বীদা গাড়ী থৌদুনা চৎলম্বা মীওই কয়া গাড়ীগা কোন্ননা ফারগা ভেরিফিকেসন তৌরবা মতুং পি আর বোন্দা থাদোকখ্রে হায়রি।

চুড়াচান্দপুরগী এস পিনা ফোঙদোরকপদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ঙসি লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু থুগাইরগা লম্বীদা লাকখিবা গাড়ী ৩৯ দিটেন্দ তৌখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি পুলিসনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলকপা মতমদা মীয়াম্না কোওপরেসন পীবিয়ু। মীয়াম্নসু চৎথোক চৎশিনগী অমদি তঙাইফদবশিংগী ওইনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদগী পাস লৌবা য়াগনি। লোয়ননা কোভিদ-১৯ অসি ঐখোয় পূন্না থেংনমিন্নসি হায়খি।

অমরোমদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈঙাক্লা কর্ফিয়ু অমদি লোকদাউন চথরিঙৈ মনুংদা লোগী ৱাংমদা লম্বীদা থোক্তুনা চৎলম্বা অমদি গাড়ী থৌরম্বা মীওই ১৩০ রোম ফারগা মরী লৈনবা ইগজিক্যুটিভ মেজি ষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোকখ্রে। পূন্না গাড়ী ৩০ য়াওনা ফাগৎখিবা অদুদা ফাইন ওইনা লুপা ৪০০০ রোম থিহনখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফাগৎখিবা মীওই ১৩০ অদুগী মনুংদা থৌবাল পুলিসনা ৯, লিলোং পুলিসনা ৬১, য়াইরিপোক পুলিসনা ১৮, খোংজোম পুলিসনা ১৪, হৈরোক পুলিসনা ১০ অমদি নোংপোক সেকমাই পুলিসনা ১৫নি হায়রি।

ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনসু লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু থুগাইদুনা ককচীং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী কেম্পসতা পূন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৫ ফাগৎখি। ফাগৎলবশিং অদু এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট ককচীংগী মমাঙদা পুথোক্লবা মতুং থাদোকখি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনসু লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু থুগাইদুনা টু হ্বিল্লর ৪০ অমদি ফোর হ্বিল্লর ২০ থৌরকখিবা মীওই ৬৫ রোম ফাগৎখি। মীওইশিং অসি কোনুং মমাঙ, ইরিলবুং বজার অমদি লমলাইনচিংবা এরিয়াদগীনি। ফারবা মীওইশিং অদু এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোক্লবা মতুং পূন্না লুপা ৬৫০০ রোম ফাইন থিহল্লবা মতুংদা থাদোকখি হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু থুগাইবা মীওই ১৬৮ ফাগৎখিবগা লোয়ননা গাড়ী ১৪৩ সুদিটেন্দ তৌখি। ফাগৎলবা মীওইশিং অদু এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেটকী মাঙদা পুথোক্লবা মতুং পূন্না লুপা ৯৮০০ ফাইন ওইনা থিহনখি হায়রি।

হায় কোর্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংগী সিটিং এপ্রিল ১৪ ফাওবা সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস):

কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংনবা মখা তানা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুর য়াওনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংগী সিটিংশিং লাক্লিবা এপ্রিল ১দগী হৌরগা এপ্রিল ১৪ ফাওবা সস্পেন্দ তৌরগনি হায়না নোটিফিকেসন থোকখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা লৌখৎলকপা থৌরাংশিংগা মরী লৈননা থোকখিবা নোটিফিকেসন নম্বর ৪৯, ৫০, ৫১ অমসুং ৫৩গী মখা তারকপা ওইনা হায় কোর্ট অসিগী রেজিষ্টর (জুদিসল) দল্লিয়ু তোনেন মীতৈনা ঙসি নোটিফিকেসন অমা অমুক নৌনা থোক্তুনা হায় কোর্ট অমদি দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংগী সিটিং এপ্রিল ১৪ ফাওবা সস্পেন্দ তৌখিবনি।

নোটিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না মখা তাবা সস্পেন্সন অসিগী মনুংদা এক্সত্রিম অর্জেন্ট লৈবা মেট্টরশিংগীদি কাউন্সেল নৎত্রগা পার্টিনা তৌরকপা এপ্রোপিএট রিক্বেসকী মতুংইন্না অফংবা সেনিয়র মোষ্ট জজগী দিরেক্সন মতুংইন্না দিভিজন বেঞ্চ নৎত্রগা সিঙ্গল বেঞ্চনা কন্সটিট্যুট তৌগনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজশিংনা সস্পেন্সন অসিগী মনুংদা রিমান্দ মেট্টর বেলল অমসুং অর্জেন্ট সিভিল অমসুং ক্রিমিনেল মেট্টরশিংগীদমক জুদিসল ওফিসরশিং রোষ্টরদা থমগদবনি। মসিগী মরী লৈননবা দিরেক্সনশিং পীবগা লোয়ননা কোর্টশিং অসিগী ৱেবসাইটদা অপলোদ তৌগদবনি হায়রি।

ত্রাইব্যুনেল, ফেমিলি কোর্টশিং অমসুং স্পেসল কোর্টশিংনা অর্জেন্ট মেট্টরশিংগীদমক জজশিং দেজিগনেট তৌগদবনি। মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি (মসলশা) গী মেম্বর সেক্রেটরিনসু অর্জেন্ট লিগেল এট মেট্টরশিংগীদমক এপ্রোপিএট পার্সনশিং দেজিগনেট তৌগদবনি।

লাক্লিবা এপ্রিল ১৪ ফাওবগী হান্ননা ফিক্স তৌখিবা মেট্টরশিং ইন ব্লোক ওইনা এদজোর্ন তৌরগা ৱেবসাইটতা অপলোদ তৌরক্কদবনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবদা মণিপুর জুদিসল একাদেমিগী ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং সস্পেন্দ তৌরগনি হায়রি। লোয়ননা হায় কোর্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংনা মাঙজৌননা পীখিবা ইন্টরিম ওর্দরশিং ইফেক্টিভ হিয়ারিংগীদমক মথংগী নুমিৎশিং ফাওবা শাংদোকহনগদবনি হায়রি।

লোকদাউন মনুংদা হোমদা লৈরিবা অঙাংশিংগী ফংফম থোকপশিং ফংহননবা কম্মিসন্না দিরেক্সন পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস):

কোরোনাভাইরস শন্দোরকপদগী ঙাকথোক্লবা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হৌখিবা মার্চ ২৫দগী হৌদুনা এপ্রিল ১৪ ফাওবা নুমিৎ ২১নিগী লোকদাউন তৌরিঙৈ চৈরক্তা ষ্টেটসিগী চাইল্দ ক্যের ইন্সটিট্যুসন (সী সী আই) ৬৪দা লৈবা অঙাং ৩২০০দা ফুদ গ্রেন, সাপোন, মাস্ক, সেনিটাইজরনচিংবা ফংফম থোকপশিং য়েন্থোক্লনবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) না দিরেক্সন পীখ্রে।

কম্মিসনগী দিরেক্সন অসি মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/ সেক্রেটরি (সোসল ৱেলফ্যের) দা পীখিবনি। মণিপুর এলাইন্স ফোর চাইল্দ রাইটস (এম এ সী আর) গী এগজিক্যুটিভ মেম্বর কৈশাম প্রদিপকুমারনা কম্মিসন অসিদা ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেন পিটিসন অমা কম্মিসন্না লৌখৎলগা ঙসি এক্টিং চ্যেরপসন খাইদেম মনিগী ক্বারমনা লৌখৎখিবা প্রোসিদিংগী মতুংইন্না দিরেক্সন অসি পীখিবনি।

দিরেক্সন অসিদা জুবেনাইল জষ্টিশ এক্ট ২০১৫কী মখাদা চিলদ্রেন ইন নীদ ওফ ক্যের এন্দ প্রোটেক্সন পীগদবনি হায়দুনা লাউথোকখ্রবা অঙাংশিং অসিদা মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্দ দিভলপমেন্টকী আই সী পি এস স্কিমগী মখাদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং অসি ফংহন্নবা পাউতাক পীখিবনি। মসিদা আই সী দি এস স্কিমগী মখাদা পীফম থোকপশিং অমসুং মীদ দে মিলগী ফুদ গ্রেনশিংসু য়াওরি। পিটিসন অসিগী মতুংইন্না কম্মিসন্না প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইট এক্ট ১৯৯৩গী সেক্সন ১২গী মখাদা কমপ্লেন কেস অমা রেজিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখি। লোয়ননা সোসল ৱেলফ্যের লোইশঙগী মায়কৈদগী থবকশিং অসি লৌখৎলে হায়বগী রিপোর্ট চয়োল অহুমগী মনুংদা পীখৎলক্লবসু কম্মিসন্না দিরেক্সন পীখি।

এম এল এ সরতচন্দ্রনা লুপা লাক্ষ ১ কৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস):

মোইরাং কেন্দ্র কোভিদ-১৯ তেংবাঙ ফন্দদা এম এল এ পি সরতচন্দ্রনা লুপা লাক্ষ ১ কৎখ্রে। শেনফম অসি কৎখিবগা লোয়ননা মোইরাং এ সীগী এম এল এ পি সরতচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংদুনা মীওই কয়াগী পুন্সি কন্ননবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্লা শরুক য়াম্নিনবা তঙাইফদে। কোরোনাভাইরস থেংনদা তেংবাঙ ওইনবগীদমক হাংদোক্লিবা মোইরাং কেন্দ্র কোভিদ-১৯ তেংবাঙ ফন্দ অসিদা পূম্নমক্লসু অঙম অঙম্বা কৎহন্নীংই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এম পি সী সী রিলিফ ফন্দ টু কোভিদ-১৯ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা অমদি লোকদাউন চথরিঙৈ মনুংদা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা অৱাবশিংদা সপোর্ট তৌনবগীদমক এম পি সী সী রিলিফ ফন্দ টু কোভিদ-১৯ হাংদোকখ্রে। রিলিফ ফন্দ অসিদা মীয়াম অমদি পার্টি অসিগী সিম্পেথাইজরশিংনা কেশ নৎত্রগা মওং খুদিংগী দোনেট তৌবীরকপা য়াগনি। দোনেট তৌবীরকপা মতমদা পার্টি অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা নৎত্রগা বি টি রোদতা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিসতা লাক্লগা তৌবীরবা য়াগনি হায়নসু এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি (মিদিয়া) এম পৃথিবীরাজনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

আই এ এস ওফিসর ২গী ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি দা. কে সুরেসবাবুনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা আই এ এস ওফিসর অনীগী ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে।

চীফ সেক্রেটরি দা. জে সুরেসবাবুনা থোকখিবা ফম হোংদোক হোংজিন তৌবগী ওর্দর অদুগী মতুংইন্না টুরিজম, আই টি অমসুং য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি অমসুং ও এস দি টু চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা দা. রাজেসকুমারনা টুরিজম, আই টি, য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস অমসুং ফাইনান্সকী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি ওইবগী মথক্তা ও এস দি টু চীফ মিনিষ্টরগী থৌসু পুরগনি। অদুগা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (ফাইনান্স) অমসুং প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি টু চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা রাকেস রঞ্জননা ওন কম্পলসরি ৱেটিংদা লৈরগনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং য়েংশিন্নবা নোদেল ওফিসরশিং হাপখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস):

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী মফম কয়াদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা লোকদাউন মনুংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং য়েংশিননবা আই এ এস ওফিসর ৮বু নোদেল ওফিসরশিং ওইনা হাপখ্রে।

মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি দা. জে সুরেসবাবুনা ঙসি থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা নেসনল দিজাষ্টর এক্ট ২০০৫না পীবা সেক্সন ৬ (২) (১) মখাদা পীবা পৱারগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংননবগীদমক লোকদাউন চথরি। লৈবাক পূম্বদা লোকদাউন চথরিঙৈ মনুং অসিদা মশীং য়াল্লবা মণিপুরগী মীওই কয়া অমা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈবগা লোয়ননা খুদোংচাদবা প্রোব্লেম কয়ামরুম মায়োক্লরি। মণিপুরগী মীওইশিং অসিনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসি য়েংশিন্দুনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী লোকল ওথোরিটিশিংগা কোওর্দিনেট তৌদুনা য়েংশিন্নবা আই এ এস ওফিসর ৮ তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী নোদেল ওফিসরশিং নোমিনেট তৌরে।

এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি দা. সুহেল অখটরনা অন্ধ্র প্রদেশ, টেলঙ্গনা, ছটিশগর অমসুং মহারাষ্ট্র, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি দা. রাজেস কুমারনা দিল্লি, রাজস্থান অমসুং গুজরাট, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি এম ঐচ খাননা উত্তরাখণ্ড, পঞ্জাব, জম্মু অমসুং কাশ্মীর অমসুং লদাখ, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি রাখেস রঞ্জননা ৱেষ্ট বেঙ্গল, ত্রিপুরা, ঝরখণ্ড, উরিষা অমসুং দামন এন্দ দিয়ু, কম্মিস্নর কম সেক্রেটরি আর কে দিনেসনা হরিয়ানা, হিমাচল প্রদেশ, মেঘালয়া, সিক্কিম এন্দ দাদর অমসুং নগর হবেলি, কম্মিস্নর কম সেক্রেটরি নিধি কেসরৱানিনা উত্তর প্রদেশ, বিহার, মধ্য প্রদেশ অমসুং চান্দিগর অমদি সেক্রেটরি জসিন্তা নজারসনা টামিল নাদু, কর্ণাটকা, কেরলা, অন্দমান এন্দ নিকোভর, লক্ষদিপ এন্দ পোন্দিচারিগী নোদেল ওফিসরশিং ওইনা নোমিনেট তৌরে।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীওইশিং অসিনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী মতাংদা নোদেল ওফিসর ওইনা নোমিনেট তৌরবা দা. সুহেল অখটরগী মোবাইল নম্বর ৯৪০২৮৮০২৬৪, দা. রাজেস কুমারগী মোবাইল নম্বর ৯৭১১১৯৯৭০৫, পি বাইফৈগী ৯৪৩৬০২১৭৭৪, রাকেস রঞ্জনগী মোবাইল নম্বর ৮৮২৬১৮৯০০০, আর কে দিনেসকী মোবাইল নম্বর ৮১৩২৯৫৩২২৫, নিধি কেসরৱানিগী মোবাইল নম্বর ৯৮৯৭৫০৮৭৮৭ অমসুং জসিন্ত রজারসকী মোবাইল নম্বর ৭০৮৫২৯১৬৪২দা পাউ ফাওবা য়াগনি হায়নসু চীফ সেক্রেটরি দা. জে সুরেস বাবুনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অদুদা পল্লি।

পনবা য়াবদি, কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবগীদমক লৈবাক শিনবা থুংনা লোকদাউন চথখিবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মণিপুরী কয়ানা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরে হায়নসু ফোঙদোক্লরকখিবা লৈখ্রবনি।

য়ূম-য়ূমদা চেঙ থিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :

কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংননবা লৈঙাক্লা লোকদাউন চথরিঙৈ মনুংদা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবগীদমক জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বোরোবেক্রা সব দিভিজনগী ওইনা বোরোবেক্রা সব দিভিজন দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমদি বোরোবেক্রা ক্লবনা পূন্না শিন্দুনা য়ূম-য়ূমদা চৎতুনা চেঙ য়েন্থোকখ্রে।

লৈঙাক্লা পীরকপা চেঙশিং অদু বোরোবেক্রা সব দিভিজন দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমদি বোরোবেক্রা ক্লবকী ভলন্টিয়রশিংনা মী অমমমদা কেজি ৫/৫গী চাংদা পেক তৌদুনা শেল্লগা য়ূমথোঙ খুদিংদা থিন্দুনা য়েন্থোকখিবনি। মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং য়েংলগা য়ূম য়ূমদা চেঙ ফংহনখিবা অসিগীদমক খুঞ্জাশিংনসু হরাওবা অমদি অপেনবা ফোঙদোক্লরকখি হায়রি।

আই পি আর মিনিষ্টরনা হেন্দ সেনিটাইজর দোনেট তৌরকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :

কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংনবা অমদি ন্যুজ পেপর দিষ্ট্রিব্যুটরশিংবু লায়না অসিদগী ঙাকথোকপদা মতেং ওইনবগীদমক আই পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ন্যুজপেপর দিষ্ট্রিব্যুটরশিংগীদমক মণিপুরদা শাবা হেন্দ সেনিটাইজরশিং অমজু অমসুং এদিটরস গিল্ডগী খূথাংদা দোনেট তৌরকখ্রে।

মিনিষ্টরনা দোনেট তৌরকখিবা হেন্দ সেনিটাইজরশিং অদু ঈ জি এমগী প্রসিদেন্ট অমসুং অমজুগী সেক্রেটরি ওল মণিপুর হোকরস এসোসিএসনগী সেক্রেটরি অমসুং প্রসিদেন্টদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, জে এস ভেঞ্চর প্রাইভেট লিমিটেদ অমসুং থোকচোম ইবোয়াইমা এন্দ সন্সনা পুথোকপা মেদ ইন মণিপুর হেন্দ সেনিটাইজর খরা পাউমীশিংগীদমক এদিটর গিল্ডস মণিপুর অমদি ওল মণিপুর ৱর্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন্দা খূৎশিন্নরকখ্রে।

চৈরকসিদা, তোঙান তোঙানবা লূপশিং অমদি ক্লবশিংনসু হেন্দ সেনিটাইজরশিং মীয়ামদা লেম্না য়েন্থোকপগী থবক চথনরি।

মীতোপ অমত্তা এ দি সীগী মীরেপ ওইহনবা য়ারোই : এ এস য়ু এম

ককচীং, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :

ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী) ইলেক্সন ২০২০দা ৭-আইমোল তম্পাক কন্সটিট্যুএন্সিদা অতোপ্পা খুন্দগী লাকপা/খুন হোংলকপা মীতোপ অমত্তা মীরেপ ওইহনবা য়ারোই হায়না আইমোল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর (এ এস য়ু এম) গী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মতম শাংনা ৭-আইমোল তম্পাক কন্সটিট্যুএন্সিদা অতোপ্পা খুন্দগী লাকপা/খুন হোংলকপা মীওইশিংনা ভোট কাখ্রগা খুনগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমত্তা পায়খৎপীদবনা খুল অসি য়াম্না শোত্থনা লৈরি। অসিগুম্বা মরম কয়া অসিনা এ এস য়ু এমনা অতোপ্পা খুন্দগী লাকপা/খুন হোংলকপা মী অমত্তা মীরেপ ওইহন্দনবা ৱারেপ লৌরকপনি। পোলিটিকেল পার্টিশিংনসু ৭-আইমোল তম্পাক কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা পোকপা অমসুং লৈবা মীওই খক্তদা পার্টিগী টিকেট পীবিয়ু। এ এস য়ু এমনা আইমোল ত্রাইব য়ুনিয়ন, মণিপুর (এ টি য়ু এম) অমসুং ভিলেজ ওথোরিটিনা পাম্বা, ৭-আইমোল তম্পাক কন্সটিট্যুএন্সিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক তৌরক্কদবা মীওইবু এ দি সীগী মীরেপ ওইহনবসু এ এস য়ু এমনা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মী শিবা হেনগৎলকপদগী গভর্ণমেন্টতা অথিংবা কনশিন্নবা তকশিনখ্রে

জকার্টা, মার্চ ৩০ (এজেন্সী) :

মালেমগী মরিশুবা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা লৈবাক ওইরিবা ইন্দোনেসিয়াদা নোংমাইজিং নুমিৎতা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা শিবা মী মশীং ৱাংখৎলকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী দোক্তরশিং, পোলিটিসনশিং অমসুং হ্যুমেন রাইটস কম্মিস্নরশিংনা গভর্ণমেন্টতা চৎথোক চৎশিন্দা থম্বা অথিংবশিং হেন্না কনশিনহনগদবা থৌরাংশিং লৌখৎনবা তকশিল্লি।

মীওই মিল্লিয়ন ২৮০ লৈবাক অসিগী গভর্ণমেন্ট মিনিষ্টর অমনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা, লায়না অসি শন্দোকপা লেপহংন্নবা রিজনেল গভর্ণমেন্টশিংনা চৎথোক চৎশিন্দা য়ারিবমখৈ অথিংবা থম্বা য়ানবগী রেগ্যুলেসন অমা শেম শারি। নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা ইন্দোনেসিয়াদা কোরোনাভাইরসনা মীওই ১১৪গী পুন্সি লোমহনখিবগা লোয়ননা কনফর্ম কেস মশীং ১,২৮৫ য়ৌখি। লেজিসলেসন অদু করম্বা মতমদা পুথোক্লবা শেম শাবা লোইগদগে নৎত্রগা কদাই ফাওবগী চাংদা কনগদগে হায়বগী মতাংদদি মহাক্লা পনখিদে।

ওষ্ট্রেলিয়াদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন লাইচৎ হন্থরক্লে, মীয়াম পূন্দনবা আপিল তৌখ্রে

মেলবোর্ন, মার্চ ৩০ (এজেন্সী) :

ওষ্ট্রেলিয়াদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নুংতিগী ওইবা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনগী চাং তঙ্খাই অমরোম হন্থরকখিবগা লোয়ননা ভাইরস অসি য়ারিবমখৈ মখা তানা শন্দোরক্তনবগীদমক্তা ওথোরিটিশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়ন খুদিংমক্তা য়ারিবমখৈ পন্দুনবা আপিল তৌখ্রে।

গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মী পূনবা তারবসু অনীদগী হেলোইদবনি অমসুং ওষ্ট্রেলিয়নশিংনা তঙাইফদবা পোৎলমশিং লৈবা, শাজেল তৌবা, থবক শূবা নৎত্রগা মেদিকেল ক্যেরগা মরী লৈনবা নৎত্রবদি ইমুংদগী হেন্দোক্তুনা লৈগদবনি। চহী ৭০ হেল্লবা মীওইশিং মশা মশানা তোঙান্না লৈজগদবনি। মপান্দা থোকপগী তঙাইফদবা লৈতবা মীপূম খুদিংমক য়ূমদা লৈগদবনি হায়না চীফ মেদিকেল ওফিসর ব্রেন্দন মফিনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসনন্না হায়খি মদুদি মী অনীদগী হেন্না পূনবা য়াদবগী থৌরাং অসি করম্না চৎনহনগদগে অমসুং মসিবু থুগাইবশিং ফাইন থিহনগদ্রা হায়বসি ষ্টেটশিং অমসুং টেরিটরিশিংনা লেপকদবনি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবফাওবদা ওষ্ট্রেলিয়াদা কনফর্ম তৌবা কেস ৩,৯৭৮ লৈ হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মশীং অসিনা ওফিসল হেলথ মিনিষ্ট্রিগী দেটানা উৎলিবা কেস ৩,৯৬৬তা খরা হেনখি অমসুং পুং ২৪গী মনুংদা ৩৩১ হেনগৎলি হায়বসু উৎখি। ভাইরস অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা মীওই ১৬ শিখ্রে।

হেলথ ওফিসলশিংগী মতুংইন্না, নুংতিগী ওইবা কোরোনাভাইরস শন্দোকপগী চাং হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা হান্নদগী তঙ্খাই অমরোম হন্থরক্তুনা চাদা ১৩-১৫ রোম ওইখি। মী অমগা অমগা নকশিন্নহন্দবা অমদি মী তিলহন্দবগী থৌরাং অসিনা ভাইরস শন্দোকহন্দবদা মতেং ওইখি।

খাঙবোক খুলদা হীদাক কাপখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :

মালেমগী ওইনা থেংনরিবা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা পান্দমদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ফোর্মর ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা সোসল ৱার্কর টি ঐচ জাদুমনিনা য়ুথ ওর্গনাইজেসন খাঙবোক্কা খূৎশম্নদুনা ঙসি খাঙবোক খুলগী মনুংদা লৈবা কৈথেলশিং - খাঙবোক কৈথেল, খাঙবোক সুপর মার্কেট, ৱাংবল কৈথেলগী শরুকশিং, লৈরক-খুল্লকশিং অমদি মীয়াম তিনবা মফমশিংদা কোয়না চৎতুনা ব্লেসিং পাওদর অমদি ফিনাইল কাপথোকখ্রে।

মীপায়রবা লায়ওং অসিদগী ঙাকথোক্লবা লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাংশিং মীয়াম্না ঙাক্লা চৎপীয়ু, য়ারিবমখৈ য়ূমদগী মপান থোকপীদনবা ৱাফমশিং জাদুমনিনা ফোঙদোকখি।

পোপ ফ্রান্সিসনা শৌগৎখ্রে

ভেজিন সিটি, মার্চ ৩০ (এজেন্সী) :

মালেম পূম্ববু কোরোনাভাইরস থেংনবদা মীৎয়েং চঙবা ঙমহনবগীদমক্তা লানগী ফীভম লৈবা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা সিজফায়র চৎনহনবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেসনা আপিল তৌখিবা অদু পোপ ফ্রান্সিসনসু নোংমাইজিং নুমিৎতা শৌগৎখ্রে।

মহাক্কী চেয়োলগী ওইবা ব্লেসিং পীবগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা ফ্রান্সিসনা মীপূম খুদিংমক্তা লানগী মওংদা অমগা অমগা তাথীনবগী থৌওং খুদিংমক থাদোক্তবা, অৱা-অনা তারবশিংবু মতেং পাংনবগী লম্বীশিং শেম্নবা, য়ানবা ৱাফমশিং শন্দাইননবগী দিপ্লোমেটিক থবকশিং পায়খৎনবা অমসুং অৱা অনাগী ফীভমশিং মায়োক্লরিবশিংদা মীৎয়েং চঙনবা আপিল তৌখি। গুটেরেসনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা গ্লোবেল ডিজদয়ার চৎনহন্নবা আপিল তৌখিবনি।